# ওলিম্পিক্সতা মেদল লৌদুনা লৈবাক অসিগী মীংচৎ পুরক্নবা অঙৎম্বা থাক্তা হোৎনগনি : সুশান্তা মোইরাংথেম

**শান্নবুংগী পাউদম-৪৬**
**জয়চান্দ লুৱাং**



ইশানবু থৱায় তানা পুক্লিং চঙনা হোৎনরবদি মায় পাকপা হায়বসি শোয়দ্রবনি। হোৎনবদা চহী য়াম্বা য়ামদবা হায়বা অমা লৈত্রে। হোৎপু হোৎননিংলবদিচহীগীথিদনাঅদুম্মক হোৎনদুনামীংচৎ পুরকপা কয়া লৈখ্রে। লমদম অসিদসু ইনখৎলক্লিবা চহী নৌরিবা শান্নরোই কয়া অমা হৌরক্লি। অদুগুম্বা শান্নরোয়শিং অদুগী মরক্তা খোঙজেল য়াঙনা চেনখৎলক্লিবা শণান্নরোয়শিংগী মনুংদা ককচিংদগী সুশান্তসু অমনি। চহী ১৩ ফাওবা শুদ্রিবা শান্নরোয় অসি ঙসিদি বেদমিন্টন মশান্নদা লৈবাক অসিগী মীয়াম্না মশক খঙবা হৌরক্লে। চহী খরগী মতুংদদি মালেমগী মীয়াম্না মশক খঙবা মমিং লৈরবা শান্নরোয় অমা শোয়দনা ওইরক্কনি হায়না থাজে। শান্নরোয় অসিগা অখন্ননা পাউ চে অসিগা শান্নখিবা ৱারী অমদা মহাক্না হায়, ওলিম্পিক্সতা গোল্ড মেদল লৌদুনা ইমা লৈবাক মণিপুর অমদি লৈবাক অসিগী মীংচৎ পুরক্নবা হোৎনবা হায়বসিনা মহাক্কী অমত্তা ঙাইরবা লেংদ্রবা পান্দম্নি। হোৎনববু লেপ্পুবদি শোয়দনা মায় পাক্কনি হায়না থাজে। মরম অদুনা ঐ য়াম্না কন্না হোৎনগনি হায়না মোইরাংথেম সুশান্তনা ফোঙদোরক্লি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, মায় পাকপা শান্নরোয় অমা ওইনবা হোৎনবদা খাঙবা কনবা অমদি দিসিপ্লিন নাইনা চৎপা মথৌ তাই। খ্বাইদগী হেন্না মরুওইরিবদি শান্নরোয় অদুগী মমা মপা অমদি ইমুং মনুংগী মীওইশিংনা পুক্লিং থৌগৎপীবা অসিনি। ইমুং মনুংগী সপ্পোর্ট য়াওদনা শান্নরোয় অমনা মাঙজিল থানা চৎনবা হোৎনবদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নরকপগা লোয়ননা নীংহন্নরক্নবা অচৌবা মরম অমা ওইরকপসু য়াই। মরম অদুনা মমা মপা ওইবশিংনা মচাশিংবু পুক্লিং থৌগৎহন্নিংই। মহাক্কী ওইনসু মমা মপানা য়াম্না সপ্পোর্ট তৌই। মরম অদুনা মহাক ঙসিগী ফিভম অসিদা য়ৌরক্লিবনি। মহাক্কী অপোকপনা মতেং পাংবদগী হেন্দোক্তুনা মহাক্কী মমানসু য়াম্না পুক্লিং থৌগৎপী। মহাক্কী মমাসু হান্না বেদমিন্টন মশান্না অসি য়াম্না ফজনা শান্নদুনা হৌরকখিবী প্লেয়র অমনি।

লমদম অসিদা বেদমিন্টন শান্নরিবা শান্নরোয়শিংনা ফংলিবা খুদোংচাবা অসি অতোপ্পা ষ্টেটশিংগা য়েংনরুবদা খরা হস্থরি। লমদম অসিদগী অফবা বেদমিন্টন শান্নরোয় কয়া মালেমগী থাক্তা পুথোক্নবা হোৎনবদা টুর্নামেন্ট য়াম্না তোয়না শিনবা মথৌ তাই হায়না খল্লি। মরমদি প্রেক্টিস তৌবগা টুর্নামেন্টকা খেন্নবা খরা লৈ। প্রেক্টিস অমদি টুর্নামেন্ট অনী পুন্না চৎমিন্নরবদি মালেমগী থাক্তা শোয়দনা লমদম অসিদগী শান্নরোয়শিং পুথোকপা ঙমগনি। অদুবু লমদম অসিদা টুর্নামেন্ট শিনবগী চাং অসিদি য়াম্না নেল্লি। মসি স্পোন্সরশিপ ৱাৎপদগী ওইরম্বা য়াই। অদুবু মরী লৈনবা লৈঙাক্লা হিরম অসিদা অহেনবা মীৎয়েং চঙবিরবদি হেন্না লাইবক ফবা হায়বদু ওইগনি। বেদমিন্টন মশান্না খক্কী নত্তনা অতোপ্পা মশান্না খুদিংমক্কী ওইনসু টুর্নামেন্ট য়াম্না তোইনা শিনবা মথৌ তাই। মরী লৈনবশিংনসু শোয়দনা শান্নরোয়শিংগী য়েংদুনা মরী লৈনবা পায়খৎফম থোকপা থবকশিং পায়খৎলক্কনি হায়না থাজে হায়না ফোঙদোরকখিবগা লোয়ননা হৌগৎলক্লিবা শান্নরোয়শিংনসু মায় পাকপা শান্নরোয় অমা ওইগে হায়রবদি য়াম্না কন্না হোৎনবা মথৌ তাই হায়না ফোঙদোরক্লি।

পনবা য়াবদি মোইরাংথেম সুশান্তা ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা ককচিং চুম্নাং লৈকায়দগী মোইরাংথেম সনাতোম্বা অমসুং মোইরাংথেম ওইবী বাবিতা অনীগী মচানি। সুশান্তগী অপোকপী বাবিতাসু ঙল্লিঙৈ মতমদা বেদমিন্টন য়াম্না ফজনা শান্নরকখিবী অমা ওইরি। মহাক্কী মমানা শান্নরম্বা অমদি মশানা পামজবা মশান্না ওইরুবনা অঙাং ওইরিঙৈদগী হৌনা মহাক বেদমিন্টন শান্নবা হৌরকখি। মহাক্কী ওইরিবা চহী অসিগী ওইনদি নেসনলগী থাক্তা টুর্নামেন্টশিং পাঙথোক্ত্রি। অদুম ওইনমক মঙোন্দগী চহী য়াম্না হনবশিংগী মরক্তা শান্নবা য়াওদুনা লাকখিবগা লোয়ননা মায় কয়ারক হন্না পাক্লকপসু ঙমখ্রে। হৌজিক হৌজিক মহাক বেঙ্গলোরদা লৈবা সাইনা নেহৱালগুম্বা অফাওবা শান্নরোয় কয়া পুথোকপা ঙমখ্রবা দ্রোনা চার্য্য অৱার্দি কোচ ভিমল কুমারনা তাকপী তম্বীরিবা প্রকাস পদুকোন বেদমিন্টন একাদমিদা ট্রেনিং চথুরি।

শুপ্নতগী ক্লাস আইটখক্তমককারিবা সুশান্তনা মায় পাক্লা শরুক য়ারুখিবা টুর্নামেন্ট খরা মমিং ওইনা পল্লবদা কুমজা ২০১৮ তা পাঙথোকখিবা অন্দর-৯গী ২শুবা য়োনেক্স সনরাইস সব-জুনিয়র ষ্টেট লেভেল বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট (ৱিন্নর), কুমজা ২০১৯ দা পাঙথোকখিবা অন্দর-১১ গী ৬৪ শুবা সব-জুনিয়র ষ্টেট লেভেল বেদমিন্টন চেম্পিয়নশিপ (ৱিন্নর), কুমজা ২০২১ দা জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট বেদমিন্টন এসোসিএসননা শিন্দুনা জিরিবামদা পাঙথোকখিবা অহানবা ষ্টেট লেভেল কেশ প্রাইজ বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট (অন্দর-১৩ বোইজ ৱিন্নর), হায়রিবা চহী অসিমক্তদা পাঙথোকখিবা ৬৫ শুবা ষ্টেট ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট (অন্দর-১৩ বোইজ ৱিন্নর অমদি অন্দর-১৫ বোইজ ৱিন্নর) নি। মসিদগী হেন্দোক্তুনা কুমজা ২০১৮দা বেঙ্কোক্তা পাঙথোকখিবা রোজা বি টি ৱাই ইন্টরনেসনল চেম্পিয়নশিপতা ক্বার্টর ফাইনেল চঙবা ঙমখি। কুমজা ২০১৯ দা গুৱাহাটিদা পাঙথোকখিবা পি এন বি মেটলাইফ সব-জুনিয়র চেম্পিয়নশিপতনা সেমি ফাইনেল চঙবা ঙমখি।

## ষ্টেট হোক্কী টিম ইম্ফাল থাদোকখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ৩০ (ঐচ এন এস): গোৱানা য়ূম্বু ওইদুনা মে ৪দগী ১৫ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ১২শুবা হোক্কী ইন্দিয়া সব-জুনিয়র মেন্স নেসনল চেম্পিয়নশিপতা শরুক য়াগদবা মীওই ২০না শাবা ষ্টেট টিম ঙসি মণিপুর হোক্কীগী সিনিয়র ভাইস প্রসিদেন্ট গ্যানেন্দ্রো নিংঙোম্বমনা ইম্ফাল ইন্টরনেসনল এয়রপোর্টতগী লমথাদুনা গোৱাগীদমক ইম্ফাল থাদোকখ্রে।

ষ্টেট টিমগী ওফিসল ওইনা এম রিনাশ মৈতৈ অমদি থোঙাম তিলানন্দনা কোচ অমদি মেনেজর ওইনা শরুক য়ারি।

প্লেয়রশিং অদুদি এস বাসু, টি ঐচ অভিনাশ, এলিশ সাপম, রিভাল্ডো লাইশ্রম, প্রিতম লাইশ্রম, দোন এন জি, এন সুরজ, বিদ্যাচরন, এন মেক্স, দিলিপ কে, ও লম্বোইবা, কে এস ঐচ বোরিশ, এস বোরিশ, সঞ্জিৎ কে, বিক্রম কে, এম বেনর্জিৎ, সেমসন এস অমদি সিশিকান্ত সোরাইশমনি।

লমথাবগী থৌরম অদুদা মণিপুর হোক্কীগী ওফিসলশিংসু শরুক য়াখি হায়না জেনরেল সেক্রেটরি সেরাম নেকেননা খঙহল্লক্লি।

## ব্রদর্স এফ সীনা এন এফ সী থোইখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ৩০ (ঐচ এন এস): তেন্থা মল্টিপ্লেক্স গ্রাউন্দদা চথুরিবা টি কে দল্লিয়ু এ ট্রোফি ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ ঐচকী মেটচ অমদা ব্রদর্স এফ সী ক্বাকৈথেলনা এন এফ সী নিলাকুঠিবু ২-১দা মায়থীবা পীখ্রে।

একোননা ক্বাকৈথেল টিমগী মায় পাকপগী গোল অনী অদু শান্নবগী ৩ অমদি ১৪ শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি। অদুগা নিলাকুঠিগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা কে ঐচ সনামচানা শান্নবগী ২৫শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি।

মেটচ অসিদা রেফরিনা ব্রদর্স এফ সীগী রঞ্জন অমদি এন এফ সীগী এন বিশালবু য়েলো কার্দ অমমম্ বূক তৌখি।

অতোপ্পা চপ মান্নবা গ্রুপকী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা ১৩ ষ্টার্স ৱাই দি এ খাংঙবোক অমদি ৱাই পি এফ সী ওল্ড চেক্কোন গোল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা দ্রো ওইখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চথুরকপা ওইনা নোংমাইজিং নুমিৎতা গ্রুপ এগী মেটচ ২ শান্নরগনি। অহানবা মেটচতা পবজি য়ুনাইটেদ অংথা অমদি মমি থৱান লম্বা তৌনরগনি।

নোর্থ ইষ্ট রিজনেল স্পোর্টস ৱীক

# মণিপুরনা গোল্ড ৪, সিলভর ২, ব্রোঞ্জ ৪ ফংখ্রে

## খেলেন্দ্রজিৎ- সেগালনা টেবল টেন্নিস মেন্স দবলসতা গোল্ড লৌখ্রে





টেবল টেন্নিস মেন্স দবলসতা গোল্ড লৌরকখ্রবা খেলেন্দ্রজিৎ, সেগাল (ওই); বেদমিন্টন মিক্স দবলস টিম ইভেন্টতা গোল্ড লৌরকখ্রবশিং (য়েৎ)

ইম্ফাল, এপ্রিল ৩০ (ঐচএনএস): মণিপুরনা য়ূম্বু ওইদুনা চথুরিবা নোর্থ ইষ্ট রিজনেল স্পোর্টস ৱীককী ঙসি হুম্নি চনবা ফাওবদা মণিপুরনা গোল্ড ৪, সিলভর ২ অমদি ব্রোঞ্জ ৪ পূন্না মেদল ১০ ফংবা ঙমখ্রে।

দি এম কোলেজ কেম্পসতা লৈবা ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা ঙসি টেবল টেন্নিস মশান্নগী মেন্স দবলস ইভেন্টকী ফাইনেলদা মণিপুরগী খেলেন্দ্রজিৎ য়েংখোম অমদি কে এস ঐচ সেগালগী প্যেরনা অসামগী জিদান গোগোই অমদি কল্যান সিংহবু গেম ৩-১ (১১-৮, ৯-১১, ১৩-১১, ১১-৯)দা মায়থীবা পীদুনা গোল্ড মেদল ফংবা ঙমখ্রে।

ৱিমেন্স দবলসকী ঙসি শান্নখিবা সেমীফাইনেলদা মণিপুরগী এস আশালাতা অমদি সনাতোম্বীগী প্যেরনা অসামগী এদ্রিজা শর্ম্মা অমদি লিয়া এমহুসেনগী মখূৎতা ২-৩ (৭-১১, ১০-১২, ১১-৮, ১১-৮, ১১-৮)দা মায়থীদুনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংবা ঙমখ্রে।

টেবল টেন্নিস মশান্না অসিগী ইরাই নুমিৎকী নুমিদাংদা শান্নখিবা মেন্স টিম ইভেন্টকী ফাইনেলদা মণিপুরগী খেলেন্দ্রজিৎ য়েংখোম, কে এস ঐচ সেগাল, এল বিক্রম, ৱাই সুভাশচন্দ্র অমদি করাম রোহিটকী টিমনা অসাম টিমবু গেম ৩-১দা মায়থীবা পীদুনা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখি।

ইভেন্ট অসিদা খেলেন্দ্রজিৎনা অসামগী জিদান গোগোইবু ৩-১ (১১-৫, ১১-৪, ১০-১২, ১১-৬); সেগালনা কৌশিক ফুকানবু ৩-২ (৬-১১, ১১-৫, ৪-১১, ১১-৮, ১৩-১১) অমদি মরিশুবা গেমদা খেলেন্দ্রজিৎনা কৌশিক ফুকানবু ৩-২ (৯-১১, ১১-৫, ১৫-১৩, ৯-১১, ১২-১০) দা মায়থীবা পীখি। অদুগা ফাইনেল মেটচ অসিগী অহুমশুবা গেমদা করাম রোহিটনা চনক্যা মোলু গোগোইগী মখূৎতা ১-৩ (৪-১১, ৮-১১, ১১-৭, ৬-১১)দা মায়থীখি।

ইরাই নুমিৎতা শান্নখিবা নুপীগী টিম ইভেন্টতা মণিপুরনা অসামগী মখূৎতা ৩-০দা মায়থীদুনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংবা ঙমখিবনি।

অমরোমদা চপ মান্নবা মফমদা বেদমিন্টন মশান্নগী ইরাই নুমিৎতা শান্নখিবা মিক্স টিম ইভেন্টতা মণিপুরনা অরুনাচলবু গেম ৩-০দা মায়থীবা পীদুনা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখি।

ফাইনেল মেটচ অদুগী মেন্স সিঙ্গলসতা মৈরাবা লুৱাংনা লা টলারবু ২১-১১, ২১-১০দা অদুগা ৱিমেন্স সিঙ্গলসতা কে এস ঐচ মহেশ্বরীনা লা য়ায়ুমবু ২১-১১, ২১-১৮ অমদি মেন্স দবলসতা কে দিঙ্কু-কে ঐচ মঞ্জিৎকী প্যেরনা চরু জাজি - লা টলারগী প্যেরবু ২১-১৪, ২১-৮দা মায়থীবা পীদুনা গোল্ড মেদল ফংবা ঙমখিবনি।

বেদমিন্টন মশান্না অসিগী ঙসি হুম্নি চনবা নুমিৎতা ৱিমেন্স সিঙ্গলসকী রাউন্দ ১৬কী শান্নখিবা মেটচতা মণিপুরগী ঐচ ভেলিন্দানা অসামগী মনোন্তা কালিতাবু ২১-৮, ২১-৮দা অদুগা মেন্স সিঙ্গলসকী ইভেন্টতা বিদ্যাসাগর সলামনা ত্রিপুরাগী সৌমায়াদিপ শাহবু ২১-১১, ২১-১২ অমদি সির্জিট মোইরাংথেমনা অসামগী জিমন কচারিবু ২১-১৪, ১৮-২১, ১৪-৯ (রিটায়র্দ) দা মায় পাক্তুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

অমরোমদা, সাই এন ঈ আর সী তাকয়েলদা ঙসি শান্নখিবা আর্চরি মশান্নগী মিক্স টিম রিকর্ব ইভেন্টতা মণিপুরগী অকোইজম অমর্জিৎ অমদি থৌনাওজম স্বাশিতানা পোইন্ট ৩ ফংদুনা সিলভর মেদল ফংবা ঙমখ্রে। য়ুম্নাম অনুপামা অমদি অকোইজম অমর্জিৎনা ইন্দিভিজ্যুএল ওলিম্পিক রাউন্দ রিকর্ব ৱিমেন্স এন্দ মেনদা ব্রোঞ্জ মেদল অমমম্ ফংবা ঙমখ্রে।

অমরোমদা, খুমন লম্পাক বোক্সিং এরেনাদা ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সেমীফাইনেল বাউটকী কেজি ৪৬কী কাঙলূপ্তা মণিপুরগী এম দি মুজাহিদনা অরুনাচলগী টালি টাবা, কেজি ৫০দা সোইবম য়াইফবনা মিজোরামগী জোরাম মুৱানা, কেজি ৫২দা অৰুংশি ঙাথিংপমনা অসামগী ত্রিদিপ কালিতা, কেজি ৫৪দা পুখ্রম্বম জেক্সননা অসামগী মনুজ থাকুর, কেজি ৫৭তা লাইশ্রম এদিসননা অরুনাচলগী গুরুক পোর্দুং, কেজি ৬০দা চুংনৈরেং এম কোমনা অরুনাচলগী ফেনিয়া পাফা, কেজি ৬৬তা হৈক্রুজম বিজয়না অসামগী টাহিলুদিন বোরা, কেজি ৭০দা ওইনাম ব্রেন্দননা নাগালেন্দগী জোনি লোথা, কেজি ৭৫দা লৈমপোকপম রাহুলনা মিজোরামগী লালমিংমাৱিয়া মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙখ্রে।

নুপীগী কেজি ৪৬কী কাঙলূপ্তা থিয়াম অপসারানা সিক্কিমগী জেনিট রাই, কেজি ৪৮দা য়ুম্নাম ভেনিকা চনুনা অসামগী মাইনা মুন্দা, কেজি ৫০দা কায়েনপাইবম বন্দনা চনুনা সিক্কিমগী সিমরন প্রধান, কেজি ৫২দা মাইবম রোজমেরি চনুনা অরুনাচলগী মিনু চেদা, কেজি ৫৪দা নাওরেম বেবিরোজিসনা চনুনা সিক্কিমগী পুনিমা সুভা, কেজি ৫৭তা হুইদ্রোম অম্বেশ্বরীনা অরুনাচলগী য়ানয়াং পুলোম, কেজি ৬০দা হুইদ্রোম গ্রেভিয়ানা নাগালেন্দগী নির্মল, কেজি ৬৩দা ক্ষেত্রিময়ুম তিলোতামা চনুনা অসামগী অঞ্জলি মচাহেরি, কেজি ৬৬তা ক্ষেত্রিময়ুম সিলকিনা অসামগী বাগু মৌনিকা, কেজি ৭০দা টিংনৈহিং চোংলোইনা অসামগী নামিতা কচারি অমদি কেজি ৭৫দা কে এম রেনুনা অসামগী মনাখি সোনোৱালবু মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

নুপা অমদি নুপীগী ফাইনেল বাউটশিং নিংথৌকাবা নুমিৎতা শান্নরগনি।

অমরোমদা, খুমন লম্পাক ম্যেন ষ্টেদিয়মদা ঙসি শান্নখিবা নুপাগী গ্রুপ বিগী ফুটবোল মেটচ অমদা ত্রিপুরানা মণিপুরবু ১-০দা মায়থীবা পীখ্রে। মায় পাকপগী অমত্তা ঙাইরবা ত্রিপুরাগী গোল অদু দেবরাজনা শান্নবগী ২শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি।

মণিপুরনা ঙসিগী মেটচতা মায়থীবা নংলবসু গ্রুপকী ৱিন্নর ওইদুনা সেমীফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

চপ মান্নবা মফমদা নুপাগী গ্রুপ এগী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা অসামনা মিজোরামবু ১-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

অতোপ্পা চপ মান্নবা মফমদা অয়ূক শান্নখিবা নুপীগী ফুটবোলগী মেটচ অহুমদা অসামনা অরুনাচলবু ৪-০, সিক্কিমনা নাগালেন্দবু ৩-১ অমদি ত্রিপুরানা মিজোরামবু ৪-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

পনবা য়াবদি, ষ্টেটকী নুপী ফুটবোলগী টিমসু গ্রুপকী ৱিন্নর ওইদুনা হান্নমা সেমীফাইনেল চঙবা ঙমখ্রবনি।

## পি ঐচ কলাচান্দনা গোল্ড লৌখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ৩০ (ঐচ এন এস): চেন্নাইদা চথুরিবা ৪২শুবা নেসনল মাষ্টর্স এথলেটিক্স চেম্পিয়নশিপকী ঙসি হুম্নি চনবা নুমিৎতা মণিপুরগী এথলিট ফুরিৎশাবম কলাচান্দনা চহী ৬০ মথক্কী ৪০০ মিটর রেসতা মিনট ১ সেকেন্দ ১২দা লমথুংফম য়ৌদুনা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখ্রে।

পনবা য়াবদি, ইরাই নুমিৎতা পাঙথোকখিবা মিটর ১০০গী লমজেলদা কলাচান্দনা সেকেন্দ ১৫.৭০দা চেন্দুনা ব্রোঞ্জ মেদল ১ ফংবা ঙমখ্রবনি।

## য়ু-১৪ গর্লস ইন্টর ক্লব ফুটবোল পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, এপ্রিল ৩০ (ঐচ এন এস): ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসননা শীন্দুনা ৪শুবা এস টি এস এম অন্দর ১৪ গর্লস ইন্টর ক্লব ফুটবোল টুর্নামেন্ট মে ১০দগী হৌদুনা পাঙথোক্লগনি।

শরুক য়ানিংবা ক্লবশিংনা মে ৩ ফাওবগী মনুংদা এন্ট্রি ফী লুপা লিশিং ৩গা লোয়ননা ফোর্ম থাজি ল্লক্নবা খঙহল্লক্লি।

## কুরাশ শান্নরোয়শিংগী ট্রায়ল পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, এপ্রিল ৩০ (ঐচ এন এস): চাইনাগী হাংঝৌদা পাঙথোক্কদৌরিবা এসিয়ন গেমস ২০২২দা ইন্দিয়া রিপ্রজেন্ট তৌদুনা শরুক য়াগদবা সিনিয়র কুরাশ প্লেয়রশিংগী ওইবা ট্রায়ল সেলেক্সন অমা মহারাষ্ট্রগী পুনেদা মে ৭ অমদি ৮দা পাঙথোক্লগনি হায়না কুরাশ এসোসিএসন ওফ মণিপুরনা খঙহল্লক্লি।

মখা তাবা অকুপ্পা মরোলগীদমক এসোসিএসন অসিগী সেক্রেটরি এস রনবিরদা মোবাইল নম্বর ৯৬১২১৫২৫৯৪দা পাউ ফাওদুনা খঙলবা য়াগনি হায়রি।

## লিন্থোই হাওবমনা গোল্ড লৌখ্রে



ইম্ফাল, এপ্রিল ৩০ (ঐচ এন এস): বেঙ্গলুরুগী জেন য়ুনিভর্সিটিদা থা অসিগী ২৪দগী হৌদুনা চথুরিবা অনীশুবা খেলো ইন্দিয়া য়ুনিভর্সিটি গেম ২০২২গী ঙসি ফেন্সিং মশান্নগী ইপি ইন্দিভিজ্যুএল ইভেন্টতা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী লিন্থোই হাওবমনা গোল্ড মেদল অদুগা ফন্দোম অনিতা চনুনা ফোইল ইন্দিভিজ্যুএল ইভেন্টতা ব্রোঞ্জ মেদল অমা লৌবা ঙমখ্রে।

মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী পোলিটিকেল সাইন্সতা এম এ থর্দ সেমিষ্টর তম্লিবী লিন্থোই হাওবমনা ঙসি শান্নখিবা ফাইনেলদা পঞ্জাব য়ুনিভর্সিটিগী কোহলি ছাভিবু ১৫-৯দা মায়থীবা পীদুনা গোল্ড মেদল ফংবা ঙমখিবনি। মহাক্না জেন য়ুনিভর্সিটিগী অক্সিতা মারিয়াবু ১৫-৭তা সেমীফাইনেলদা মায়থীবা পীরমখিবনি।

বিরমঙ্গোল কোলেজগী বি এস সী থর্দ সেমিষ্টর তম্লিবী পি ঐচ অনিতানা সেমীফাইনেলদা পঞ্জাব য়ুনিভর্সিটিগী কাজলগী মখূৎতা মায়থীদুনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংবা ঙমখিবনি।


অমরোমদা, গেমস অসিগী জুদো ইভেন্টতা ষ্টেট অসিদগী হৌখিবী লভলি প্রোফেসনেল য়ুনিভর্সিটি পঞ্জাবকী তখেল্লম্বম ইনুংঙানবীনা কেজি ৭০গী কাঙলূপ্তা গোল্ড মেদল ফংবা ঙমখ্রে।

UPGRADE YOUR TRADING SKILL
ELIGIBILITY :-
BASIC KNOWLEDGE OF TRADING
ONLINE COURSE in Manipuri Language
NEXT BATCH STARTS FROM 5TH MAY 2022
TIMING
7.30 AM TO 09.00 AM
DURATION :- 18 DAYS
OR
EVERY SUNDAY FOR 2 MONTHS
TIMING :- 7.30 AM TO 10.30 AM
COURSE FEE RS. 10,000/-
OFFER EXTENDED OFFER RS.8,000/-
GET REFERRAL BONUS RS. 1000/- FOR ADMITTED STUDENTS
1ST INSTALL MENT- RS.4000/-
2ND INSTALLMENT - RS.4000/-
CHOOSE YOUR CONVENIENT DAY & TIME
WHAT WILL YOU LEARN
PRICE ACTION I WHAT IS OPTION | PUT & CALL | OI ANALYSIS | TIME FRAME | CPR | MOVING AVERAGE | ENTRY & EXIT | OPTION & SWING TRADE | MONEY MANAGEMENT | TRADING PSYCHOLOGY | RISK REWARD | POSITION SIZING |
FEATURES:
DAILY EOD CHART ANALYSIS OF NIFTY & BANK NIFTY FOR 3 MONTHS I | RECORDED CLASS VIDEO ACCESS UPTO 1 MONTH I LIVE MARKET DISCUSSION BASED ON PRICE ACTION
COMING SOON OPTION STRATEGIES COURSE
FOR ADMISSION PLZ CALL OR WHATSAPP ON +91-7005851073
MANGAL TRADING ACADEMY, KAKWA LILANDO LAMPAK
HL-P/2331/23-30/4

CUET COMMON UNIVERSITY
Entrance Test CUET (UG) - 2022
(To be held in the month of July - 2022 by NTA)
FORM ISSUE :- 20/04/2022
CLASS STARTS :- 12 May, 2022
ELIGIBILITY :- Class XII passed/appearing
SHIFT :- (Morning and Evening)
HIGHLIGHTS :-
1) Compulsory for all students to be admitted in Colleges under Central Universities of India.
2) Admission selection only based on CUET scores.
3) Computer based test on language (200 m), optional subjects (200 m) & General Test (300 m).
4) Examination Centres :- Imphal and Chandel.
For details Please Contact : Co-ordinator, APOLLO ACADEMY
Kwakeithel Bazar near AMUCO Office, Contact No. - 8258013846
HL-B/7608/27-30

ADMISSION OPEN
PHOENIX ENGLISH COACHING
FOR CLASSES X (BOSEM) & XII (COUNCIL)
KHWAI BRAHMAPUR NAGAMAPAL, LAIMAYUM LEIRAK
Detailed explanation of every lesson
Complete discussion of exam-related questions
Free supply of printed questions and answers
Weekly exam-oriented tests.
Nowhere can you find such English coaching class.
CLASS COMMENCING SHORTLY. GET YOURSELF ADMITTED. SEATS ARE LIMITED.
6 TO 7:30 AM & 5:30 TO 7 PM
PLEASE CONTACT 8974642764
HL-B/7616/23/4-21/5

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 441**

**Diemer, Emil Josef - Sneiders, Edgars**

**corr, 1954**

1.d4 d5 2.e4 dxe4 3.Nc3 Nf6 4.f3 Bf5
5.fxe4 Nxe4 6.Qf3 Nd6 7.Bf4 e6 8.O-O-O c6
9.d5 cxd5 10.Nxd5 Be4 11.Qe3 exd5 12.Rxd5 f5
13.Bb5+ Nc6 14.Nf3 Be7 15.Rxd6 Bxd6 16.Rd1 O-O
17.Rxd6 Qa5 18.Bc4+ Kh8 19.Ng5 h6 20.b4 Qxb4
21. ...

**QUESTION :**
**White to win**

**Puzzle 440 Ans. :**

35. ...Qxh2+ The black queen attacks White's king, which is defending square h1. 36. Kf1 Qh1+ 37. Ke2 Rxe3+ The black rook forks White's bishop and king. 38. fxe3 Rxe3+ The black rook forks White's bishop and king. The black rook attacks White's bishop, which is defending square e1. 39. Kd2 Qe1+ 40. Kc2 Rxc3+ 41. Kb2 Qc1# Triangle mate
35. ...Qxh2+ 36. Kf1 Qh1+ 37. Ke2 Rxe3+ 38. fxe3 Rxe3+ 39. Kd2 Qe1+ 40. Kc2 Rxc3+ 41. Kb2 Qc1#
0-1

CAS Centre for Advanced Studies No.1 in Manipur
CAS Main Building, 2nd floor Keishampat Junction Imphal
ADMISSION IS GOING ON
SPECIAL FOUNDATION COURSES
Seats are Limited First Come First Served
CLASS XII (Physics, Chemistry, Maths, Biology & Eng)
CLASS XI (Physics, Chemistry, Maths, Biology & Eng)
CLASS X (English, Mathematics, Science & Social Science)
Special features:
• Special Concession for all Students
• Qualified &Experienced Faculties
• Exam. Oriented Study Materials
• Weekly and Monthly Test Series
• Targeted Suggestion for Final Exam
• Vision for toppers in 2023
Classes commencing from 28th April, 2022
Morning Batch (4.30- 7.00) A.M.
Evening Batch (4.30- 7.30) P.M.
Hostel for BOYS & GIRLS Available
For Details contact:- CAS Office, Centre for Advanced Studies Keishampat Junction,Imphal (Mayai Lambi Road Machin.)
HL-B/7610/21-19

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com